# এ এস ঈ এ এনগী এনভোয়শিংদা ম্যান্মারগী মীয়াম্না থাজবা থম্বা ঙম্লোই: ওপোনেন্ট



নেপিদো, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মিলিটরি জুন্টাগী লুচিংবশিংনা ৱারী শান্নবগীদমক লাকখিবা এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (এ এস ঈ এ এন) গী এনভোয়শিংদা মীয়াম্না থাজবা থমদে হায়না ম্যান্মারকু ওপোনেন্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ম্যান্মারগী কোনুং নেপিদোদা এ এস ঈ এ এনগী এনভোয় অনী থুংলখিবগা লোয়ননা মিলিটরি লিদর মিন অংগা উন্নদুনা ৱারী শাবা হৌখ্রে। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা এসোসিয়েসন অসিনা ম্যান্মার মিলিটরিগী মথক্তা এক্সন অমত্তা লৌখৎপা ঙমদনা লাক্লি। মদুনা মরম ওইরগা হৌজিক উন্নদুনা ৱারী শারিবা অদুদা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বা থাজদে।

এসোসিয়েসন অসিদা ম্যান্মারগী মীয়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা থাজবা কয়া থল্লমখি। অদুবু হৌজিক্তি মীয়ামগী থাজবা অদু তপ্না তপ্না মাঙথখ্রে হায়না নেস্নেল য়ুনিটি গভর্ণমেন্টকী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর নি জোনা ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী লৈবাক কয়া য়াওনা এ এস ঈ এ এননা ম্যান্মারদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা মিলিটরি জুন্টাদা খঙহনবা লৈখ্রে। অদুবু মিলিটরি লৈঙাক্না ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংগী ৱাফম অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি। হেন্নদুনা খোঙজং জঙশিল্লিবা মীয়ামগী মথক্তা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথুরি।

এ এস ঈ এ এনগী এনভোয় অনী অদুনা ম্যান্মার মিলিটরিগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রবসু হীরম অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অমদি এনভোয়শিং অদুনা ওপোজিসনদা লৈরিবা লুচিংবশিংগা উন্নগদ্রা হায়বদুগী মতাংদসু চপ চানা খঙহল্লকপা লৈত্রি।

পনবা য়াবদি ম্যান্মারদা থোকখিবা ভাওইলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিংনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৮৪৫ শিখ্রে। অদুগা ৪,৫০০ রোম্না ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থল্লি।

# ভেসেল মৈ চাকখিবগা মরী লৈননা ক্লাইমেট এন্দ ফিসরমেন এক্তিভিষ্ট গ্রুপনা লিগেল সুট তৌখ্রে



কলম্বো, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়াগী গুজরাটতগী কেমিকেল অমদি প্লাষ্টিককী প্রদক্ট টন কয়া পুদুনা লাকখিবা ভেসেল অমা ঈশিংগী ঈমায়দা মৈ চাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ইনভাইরোনমেন্টতা চাওনা অকায়বা পীরে হায়না ক্লাইমেট এন্দ ফিসরমেন এক্তিভিষ্ট গ্রুপ অমনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট অমসুং ভেসেল এম ভি এক্স-প্রেস পর্ল ওপরেটরগী মথক্তা লিগেল সুট তৌখ্রে হায়রি।

সেন্তর ফোর এনভাইরোনমেন্টেল জষ্টিস, ইনভাইরোনমেন্টেল রাইটস গ্রুপ, ফিরসমেন এক্তিভিষ্টকী অপূনবা গ্রুপ অমনা সুপ্রিম কোর্টতা ঙরাং ফন্দমেন্টেল রাইটস পিটিসন অমা গভর্ণমেন্ট অমসুং ভেসেল ওপরেটরশিংগী মথক্তা ফাইল তৌখিবনি।

পিটিসনরশিংনা চার্জ তৌরকখিবগী মতুং ইন্না লোকেল ওথোরিটিশিংনা হকচাংদা শোকনিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিং অমদি প্লাষ্টিক টন কয়া পুরকখিবা এম ভি এক্স-প্রেস পর্ল ভেসেলদা চাক্লকখিবা মৈ অদু কনবা ঙম্লম্বা য়াবনি। অদুবু ওথোরিটিশিংনা লায়থোকপদগী জহাজ অদু মৈনা চাকপদগী কনবা ঙমখিদবনি। মরম অদুনা জহাজ অদুগী মপু অমদি মখোয়গী এজেন্টশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা এক্সনশিং চপ চানা লৌখৎফম থোকই। মতুং তাবদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবা রুলস এন্দ রিগুলেসনশিং শেমগদবনি হায়রি।

সেন্তর ফোর এনভাইরোনমেন্টল জষ্টিসনা ফোঙদোকখিবদা ভেসেল অদুদা তোংলকখিবা ক্রু মেম্বরশিংনা মে ১১ দা ভেসেল অদুদা পুরকখিবা এসিদ হাপ্পা কন্তেনর অদু লিগ ওই হায়বা খঙখি। শ্রীলঙ্কাগী ঈশিংগী শরুক্তা চংলক্ত্রিঙৈদা ক্রু মেম্বরশিং অদুনা লীগ ওইবগী মতাংদা খঙলবসু লোকেল ওথোরিটিশিংনা ভেসেল অদু শ্রীলঙ্কাগী ঈশিংগী শরুক্তা চঙলকপদা অয়াবা পীখিবনি।

অমরোমদা এম ভি এক্স-প্রেস পর্ল সিপ কম্পনিগী সী ঈ ওনা থৌদোক অদুগী মতাংদা নিংঙমদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চথোক চৎশিন্দা অথিংবা খরা লৈখিবদগী ভেসেল অদু কন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লখি। অদুমওইনমক ঈশিংগী ঈমায়দা শন্দোকখ্রবা কেমিকেলশিং অদুনা অমাং অতা থোকহল্লক্তনবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

শ্রীলঙ্কাদা লৈরিবা মীয়ামদা জহাজ মৈ চাকপদগী ঈশিংগী ঈমায়দা চেন্থোরকখ্রবা এসিদ অমদি থাউশিংনা শোকহন্দনবগীদমক ভেসেল অদু মৈ চাকপা হৌরকপদগী মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রবনি। অমরোমদা ইনভাইরোনমেন্টেলিষ্টশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না কেমিকেলশিং পুরকপা ভেসেল মৈ চাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঈশিংগী ঈমায়দা চেন্থোরকখিবা হু চেনবা অমদি হকচাংদা শোকহনবা য়াবা কেমিকেল প্রদক্টশিংনা ঈশিংগী ঈমায়দা তিনখিবনা মরম ওইরগা সমুদ্রদা লৈরিবা জীবশিং য়াওনা শ্রীলঙ্কাগী মীওইশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

# পেলিষ্টিনিয়ন রন্নরশিংদা ইজরেল্লি পুলিসনা এটেক তৌরকখ্রে

জেরুসালম, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
ইষ্ট জেরুসালমদা ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা চথুখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ওর্গনাইজ তৌখিবা মরাথোন অমদা শরুক য়াখিবা রন্নরশিংদা ইজরেল পুলিসনা এটেক চথুরখ্রে হায়না পেলিষ্টিনিয়ন রেদ কৃসেননা ফোঙদোরক্লি।

মীওই ১০০ রোম হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ঈকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অদুদা ইজরেল পুলিসনা চথুরকখিবা থৌওংশিং অদুবু পেলিষ্টিনিয়নশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইজরেল পুলিসনা রন্নরশিংদা টিয়ার গ্যাস অমদি ষ্টন গ্রেনেদ কাপশিল্লক্তুনা চথুখিবা এটেক অদুদা রন্নর ২৩ অশোক অপন নংখি।

মরাথোন অদুদা শরুক য়াখিবা অবদেল হামিদ কৌবা রন্নর অমনা ফোঙদোরকখিবদা ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা শান্তি ওইনা চৎখিবা মরাথোন অদুদা খঙহৌদনা এটেক অদু চথুরকখিবনি।

নহা ওইরিবা মীওইশিংনা ইচম চম্না ঈশৈ শক্তুনা অমদি ৱাখল্লোন নুংঙাইনা মরাথোনদা শরুক য়াখি। অকায় অতোইগী ৱাখল্লোন য়াওদনা চেনখিবা মরাথোন অদুদা ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সনা এটেক চথুরকখিবা অদুগী মরম হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অমদি ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগীসু এটেক অদুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

ইজরেল অমসুং হমাজ গ্রুপকী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখ্রবসু ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মরাল লৈজদ্রবা পেলিষ্টিনিয়নশিংদা ওৎ নৈবগী থবক্তি লেপ্পা লৈতনা চথুরি হায়রি।

# রেফ্যুজিশিং পুরগা চৎখিবা হি অমা থা খরগী মতুংদা ইন্দোনেসিয়াগী আইলেন্দদা থেংনখ্রে



মেদান, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
রোহিংজা রেফ্যুজি ৮১ পুরগা চৎখিবা হি অমা সমুদ্রগী ঈমায়দা নুমিৎ ১০০ নি হেন্না লৈরুরবা মতুং ইন্দোনেসিয়াগী মী তাদবা আইলেন্দ অমদা লৈরম্বা থেংনখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মখোয়শিং অদু ইন্দোনেসিয়াদা চঙলকপদা অয়াবা পীগদ্রা নৎত্রগা অমুক হন্না সমুদ্রদা হলহনখিদ্রা হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙহল্লকপা লৈত্রি।

উগী অপিকপা হি অদু ঙরাং অয়ুক অকে প্রোভিন্সগী মনুং চন্না লৈবা ইদামান আইলেন্দদা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি। হোকসুমাৱে টাউন দদগী পুং ২ রোম চৎলগা লৈবা ইদামান আইলেন্দ অসি মরু ওইনা ঙা ফাবা মীওইশিংনা পোত্থাফমনি। মফমদুদা রিফ্যুজি ৮১ লৈরম্বা অদু ঐখোয়গী ষ্টাফশিংনা থেংনরকখ্রে হায়না ইন্দোনেসিয়া অমসুং মালেমসিদা লৈবা রেফ্যুজিশিংগী মতেং পীরিবা এন জি ও গুইটানয়ো ফাউন্দেসনগী দিরেক্তর রিমা পুত্রা সাহনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রেফ্যুজিশিং অদু বংলাদেশতগী হি তোংদুনা থৌরকখিবনি। ইন্দিয়ান কোষ্টতা মখোয়গী হি অদু অকায় অতোই খরা থোকখিবদগী ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা শেমজিল্লবা মতুং চানবা চীঞ্জাক অমসুং থক্লবা ঈশিং পীদুনা অমুক হন্না থাদোরকখিবনি হায়রি।

# হেল্থ মিনিষ্টরশিংনা কোভিদ পেন্দমিক মায়োক য়ানবা খন্নখ্রে

লন্দন, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
জি-৭ সম্মিটতা শরুক য়াখিবা হেল্থ মিনিষ্টরশিংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিবু মপুং ফানা থেংনমিন্নবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা ভেক্সিনেসনগী থবক খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎনবগী মতাংদসু ফিরেপ লৌখ্রে হায়রি।

য়ু কেনা হোষ্ট ওইরগা পাঙথোকখিবা সম্মিট অদুদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরশিংনা ফোঙদোক্লখিবদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি লৈবাক অমা খক্তী নত্তে। লায়না লাইচৎ অসিনা লৈবাক খুদিংমক্তা চৈথেং পীবনা মরম ওইরগা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থবক তৌবগী মতম ওইরে। পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক অমনা অমবু হুনবা তোক্লগা লায়না লাইচৎ অসি মতৌ করম্না থেংনগদগে হায়বগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী মথৌ তারে হায়না য়ু কেগী হেল্থ মিনিষ্টরনা ফোঙদোরক্লি। জি-৭ সম্মিটতা শরুক য়াখিবা লৈবাকশিং অদুদি কানাদা, ফ্রান্স, জর্মনি, ইটালি, জপান, য়ু কে অমসুং য়ু এসনি।

# টর্কিস দ্রোন ষ্ট্রাইক্তা সিভিলিয়ন অহুম শিখ্রে

অর্বিল, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
ইরাক্তা লৈবা রিফ্যুজি কেম্প অমদা টর্কিস দ্রোননা চথুরকখিবা এটেক অমদা সিভিলিয়ন অহুম শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি। ইরাক্কী অৱাং থংবা শরক্তা লৈরিবা রিফ্যুজি কেম্প অদুদা মখা তানা মীওইশিং লৈহন্দনবা টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টয়িপ এর্দোগান হান্ননা ৱার্নিং তৌবা লৈখ্রে।

টর্কিগী কর্দিসষ্টান ৱার্করস পার্টিনা ইরাক্কী অৱাং থংবদা লৈরিবা চীংগী শরুকশিংদা টেরোরিজমগী ওইবা থবক থৌওং কয়া চথুরি হায়না এর্দোগাননা মরাল শীখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিগী মেম্বরশিংনা টর্কিগী মায়োক্তা থবক তৌনবা শেম শাদুনা লৈরি হায়রি।

টর্কিনা ঙমখৈগী শরুকশিংদা য়াম্না তোয়না ওপরেসনশিং চথুরি। ইরাক্কী অৱাং থংবা শরুক্তা ঙমখৈ মনাক নক্লনা লৈরিবা রেফ্যুজি কেম্প অদুদা কর্দিসষ্টান ৱার্করস পার্টিগী মেম্বরশিং য়াওশিন্দুনা লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ ফংলবা মতুং মফমদুদা রেফ্যুশিং লৈহন্দনবা খঙহনখিবনি অদুবু মদুগী মায়োক্তা থবক চথুরকপদগী ঙসি টর্কিনা দ্রোন শীজিন্নদুনা রেফ্যুজি কেম্প অদুদা এটেক চথুখিবনি হায়রি।

# নুংথিলগী মতমদা স্পেস এক্স কারগো দ্রেগোন পাইবা মীয়াম্না উখি



ৱাশিংটন, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
ইন্তরনেস্নেল স্পেস ষ্টেসনদা লৈরিবা মীওইশিংনা শীজিন্নবা পোৎলমশিং সপ্লাই তৌনবগীদমক হন্দক্তা থাগৎখিবা স্পেস এক্স দ্রেগোন ঙসি নুংথিল নোংথক্তা পাইবা মীয়াম্না উনখি।

নেস্নেল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (নাসা) না ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না স্পেস এক্স কারগো দ্রেগোন অদু ঙসি অয়ুক ওর্বিটেলদা পাইবা মীয়াম্না উন্নখিবনি। স্পেস ক্রাফট অদুনা হৌজিক হৌজিক ইন্তরনেস্নেল স্পেস ষ্টেসন্দা লৈরিবা এষ্ট্রোনোট ৭ না শীজিন্নবা পোৎলমশিং পুরি।

কিলোগ্রাম ৩,৩০০ গী সিপমেন পীদুনা পাইখিবা স্পেস ক্রাফট অদুদা এষ্ট্রোনোটশিং অদুনা শীজিন্নবা তগৎ তগৎ তেক্লিবা চম্প্রা, তিলহৌ, এভোকেদো অমসুং চেরি টোমেটোশিং য়াওরি।

নাসাগী মতুং ইন্না স্পেস ক্রাফ অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবা শরুক্তা ইন্তরনেস্সেল স্পেস ষ্টেসনদা থুংগনি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৩.৩০ তারকপদা স্পেস ক্রাফ অদুনা ইন্তরনেস্নেল স্পেস ষ্টেসনদা লেন্দিং তৌবগী কোভরেজ নাসাগী ৱেভ সাইটতা থাগৎকনি হায়রি।

# মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 173,380,006 | +68,182 | 3,729,181 | +1,990 | 156,384,112 | 13,266,713 |
| 1 | USA | 34,192,023 | | 612,240 | | 28,054,995 | 5,524,788 |
| 2 | India | 28,694,879 | +1,044 | 344,101 | | 26,795,549 | 1,555,229 |
| 3 | Brazil | 16,841,954 | | 470,968 | | 15,239,692 | 1,131,294 |
| 4 | France | 5,701,029 | | 109,916 | | 5,392,959 | 198,154 |
| 5 | Turkey | 5,276,468 | | 47,976 | | 5,147,610 | 80,882 |
| 6 | Russia | 5,117,274 | +9,145 | 123,436 | +399 | 4,729,077 | 264,761 |
| 7 | UK | 4,506,016 | | 127,823 | | 4,270,560 | 107,633 |
| 8 | Italy | 4,227,719 | | 126,415 | | 3,901,112 | 200,192 |
| 9 | Argentina | 3,915,397 | | 80,411 | | 3,465,137 | 369,849 |
| 10 | Germany | 3,704,685 | | 89,733 | | 3,533,900 | 81,052 |
| 11 | Spain | 3,697,987 | | 80,196 | | 3,471,163 | 146,628 |
| 12 | Colombia | 3,518,046 | | 90,890 | | 3,267,100 | 160,056 |
| 13 | Iran | 2,960,751 | +6,442 | 80,941 | +128 | 2,537,092 | 342,718 |
| 14 | Poland | 2,874,824 | +415 | 74,139 | +38 | 2,644,273 | 156,412 |
| 15 | Mexico | 2,429,631 | +2,809 | 228,568 | +206 | 1,936,266 | 264,797 |
| 16 | Ukraine | 2,213,580 | +1,897 | 51,140 | +86 | 2,088,712 | 73,728 |
| 17 | Peru | 1,976,166 | | 185,813 | | N/A | N/A |
| 18 | Indonesia | 1,850,206 | +6,594 | 51,449 | +153 | 1,701,784 | 96,973 |
| 19 | South Africa | 1,686,041 | | 56,832 | | 1,570,975 | 58,234 |
| 20 | Czechia | 1,663,363 | +323 | 30,157 | +2 | 1,624,712 | 8,494 |
| 21 | Netherlands | 1,659,399 | | 17,666 | | 1,514,134 | 127,599 |
| 22 | Chile | 1,411,346 | | 29,696 | | 1,333,631 | 48,019 |
| 23 | Canada | 1,389,508 | | 25,679 | | 1,337,254 | 26,575 |
| 24 | Philippines | 1,262,273 | +6,955 | 21,732 | +195 | 1,180,998 | 59,543 |
| 25 | Iraq | 1,218,524 | | 16,488 | | 1,133,347 | 68,689 |
| 26 | Romania | 1,078,742 | +179 | 30,725 | +113 | 1,042,551 | 5,466 |
| 27 | Sweden | 1,078,062 | | 14,485 | | 987,471 | 76,106 |
| 28 | Belgium | 1,068,406 | +1,449 | 25,014 | +19 | 971,914 | 71,478 |
| 29 | Pakistan | 930,511 | +1,923 | 21,189 | +84 | 860,385 | 48,937 |
| 30 | Portugal | 851,461 | | 17,029 | | 810,959 | 23,473 |
| 31 | Israel | 839,539 | | 6,417 | | 832,923 | 199 |
| 32 | Bangladesh | 809,314 | +1,447 | 12,801 | +43 | 749,425 | 47,088 |
| 33 | Hungary | 805,871 | +300 | 29,842 | +24 | 714,329 | 61,700 |
| 34 | Japan | 757,663 | +2,595 | 13,449 | +85 | 699,741 | 44,473 |
| 35 | Jordan | 739,015 | | 9,509 | | 719,676 | 9,830 |
| 36 | Serbia | 713,417 | | 6,900 | | 699,568 | 6,949 |
| 37 | Switzerland | 697,292 | | 10,831 | | 656,591 | 29,870 |
| 38 | Austria | 646,167 | | 10,631 | | 631,138 | 4,398 |
| 39 | Malaysia | 610,574 | +7,452 | 3,291 | +109 | 521,676 | 85,607 |
| 40 | Nepal | 581,560 | | 7,731 | | 476,130 | 97,699 |
| 41 | UAE | 581,197 | +2,188 | 1,696 | +5 | 560,734 | 18,767 |
| 42 | Lebanon | 541,232 | | 7,752 | | 522,465 | 11,015 |
| 43 | Morocco | 520,769 | | 9,169 | | 508,570 | 3,030 |
| 44 | Saudi Arabia | 455,418 | | 7,424 | | 438,206 | 9,788 |
| 45 | Ecuador | 430,739 | | 20,755 | | 375,151 | 34,833 |
| 46 | Bulgaria | 419,337 | | 17,810 | | 385,931 | 15,596 |
| 47 | Greece | 407,857 | | 12,218 | | 377,620 | 18,019 |
| 48 | Belarus | 398,909 | +857 | 2,900 | +8 | 391,003 | 5,006 |
| 49 | Kazakhstan | 392,884 | +1,189 | 4,042 | +20 | 364,975 | 23,867 |
| 50 | Slovakia | 390,340 | +117 | 12,395 | +13 | 376,337 | 1,608 |
| 51 | Bolivia | 383,457 | +3,000 | 14,900 | +68 | 303,358 | 65,199 |
| 52 | Panama | 381,122 | | 6,389 | | 367,549 | 7,184 |
| 53 | Paraguay | 368,183 | | 9,609 | | 301,909 | 56,665 |
| 54 | Croatia | 357,408 | +211 | 8,080 | +13 | 347,745 | 1,583 |
| 55 | Tunisia | 352,303 | | 12,902 | | 309,126 | 30,275 |

# অল কৈদাগী লুচিংবা অল-জৱাহিরি অফঘান-পাকিষ্টানগী লোন্নবা শরুক্তা লৈরম্বা য়াই হায়না থাজনরি



ন্যু য়োর্ক, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টানগা তায়নবা শরুক্তা অল কৈদাগী লুচিংবা অল-জৱাহিরি লোত্তুনা লৈরম্বা য়াই হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এনগী রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না অফঘানিষ্টানগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা টালিবানগা এলাইদ তৌদুনা অল কৈদাগী টেরোরিষ্ট কয়া লৈরি। অফঘানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টানগা লোন্নবা শরুক্তা অল কৈদাগী বেজশিং লৈরি হায়না রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা বেজশিং অসিদা লুচিংবা অসি লোত্তুনা লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনরি।

অল কৈদাগী হান্নগী লুচিংবা ওসামা বিনলাদেনগী মতুংদা টেরোরিষ্ট গ্রুপ অসি মপাঙ্গল অমুক হন্না কনখৎহন্নবা হোৎনবদা মোহমদ রবি অল-জৱাহিরিনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। হৌজিকমক্কী ওইনা অল কৈদাগী লুচিংবা অসিগী মতাংদা পাউগী চেনেলশিং অমদি সোসল মীদিয়শিংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা মীয়াম্না থেংনদ্রি।

অদুমওইনমক অল কৈদানা টালিবান ফাইটরশিংগা পুল্লগা মালেমগী লৈবাকশিংদা অকিবা ফংলবা টেরোরিজমগী থবক থৌরাংশিং চথুরকপা য়ানা লৈ। থা খরগী মমাংদা অল কৈদাগী লুচিংবা অল-জৱাহিরি মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোক্লরকখিবনি। অদুবু মহাক লৈখিদবগী পাউ অদু ময়েক শেংদ্রি অমদি চপ চাবা খুদমসু লৈতে।

মহাক শিখ্রে হায়না অরানবা পাউ শন্দোক্লগা তুমিন্না টেরোরিজমগী ওইবা থবক থৌওংশিং চথনবা প্লান তৌরম্বা য়াই হায়না য়ু এনগী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মালেমগী মীৎয়েংদা অল কৈদা মপাঙ্গল শোন্থখ্রে হায়না উহন্নবা হোৎনরম্বসু য়াই হায়রি।

ইন্দিয়াদসু অল কৈদাগী ফাইটর ৫০০ রোম হেন্না লোত্তুনা লৈরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ। অল কৈদাদা য়াওরিবা মেম্বরশিংসু মরু ওইনা নোর্থ অফ্রিকা অমসুং মিদল ইষ্টকী নেস্নেলশিংনি। অমরোমদা অফঘানদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পুরকপা ঙমদ্রিবা অসি অল কৈদা অমসুং টালিবান ফাইটরশিং পুনশিনখিবদগী ওইরম্বা য়াইসু হায়রি।

# নেপালদা ব্লেক ফঙ্গসনা অহানবা ওইনা মীওই ১ শিহনখ্রে

কাথমান্দু, জুন ০৫ (এজেন্সী) :
নেপালদা অহানবা ওইনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ব্লেক ফঙ্গসনা মরম ওইরগা মীওই অমা শিহনখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় কৃষ্ণনা প্রসাদনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা শিহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

মহাক্না হায়খিবদা লৈবাক অদুদা হৌজিক হৌজিকসু ব্লেক ফঙ্গসকী কেস ১০ লৈরি। ব্লেক ফঙ্গসনা নারবা মীওইশিং অদু চহী য়াল্লবা ওইবনা লায়েংবদা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরি। ঙরাং লৈখিদ্রবা মীওই অদুসু মশাগী চহী ৬৫ রোম শুরে। মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী নেপালগী নোংচুপ থংবদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা লায়েং চথুদুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং মহাক ঙরাং নুমিদাংৱাইরম খঙহৌদনা শিখিবনি। পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মহাক্কী নাতোন মনুং অমদি চিনবানগী শরুকশিংদা ব্লেক ফঙ্গস থেংনখি হায়রি।